হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ চু

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট
ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

চু পাম্বী মশক খঙদবা মীওই অমত্তা পৃথিবী অসিদা লৈরম্লরোই হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই হায়না খল্লি। চু পাম্বী অসি ইংলিসতা সুগরকেন (Sugar cane), হিন্দিদা পুন্দিয়া (Pundia) নৎত্রগা গন্না (Ganna), বেঙ্গলিদা অখ (Akh), ইথিওপিয়াদা সুনকোরা (Shunkora), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোতানিকেলগী ওইবা মমিংদা *ছেকেরম ওফিসিনেরম* (*Saccharum officinarum Linn.*) হায়না কৌই অমসুং নাপীগী শাগৈ হায়বদি পোয়েসী (Poaceae) দ চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা মরু ওইবা পাম্বী খরদি ৱা পাম্বী (Bamboos), তিংথৌ পাম্বী (সাইনোদোন দেকতাইলোন), কম্বোং পাম্বী (জিজানিয়া লেতিফোলিয়া), ফৌ পাম্বী (ওরাইজা সাতাইতা), শুমজীৎ পাম্বী (থাইশানোলেনা মেক্সিমা) অসিনচিংবশিং পনবা য়াই।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না চু পাম্বী অসি খা থংবা অমসুং খা-নোংপোক থংবা এসিয়াগী খরা হেন্না শাবা ত্রোপিকেলগী লমদমশিংদগী হৌরকখিবনি। চু পাম্বী মখল খরগী মনুংদা ছেকেরম বর্বেরী (Saccharum barberi) অসিনা ইন্দিয়াদগী হৌরকখিবনি অদুগা ছেকেরম ইদুলি (Saccharum edule) অমসুং ছেকেরম ওফিসিনেরম (Saccharum officinarum) অসিনা ন্যু গীনি (New Guinea) দগী হৌরকখিবনি হায়বগী পাউদম লৈ। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুং ইন্না চু পাম্বী অসি ৮ শুবা চহী চাদা (Eight Century A.D.) ভারতকী ললোনবশিংনা মেদিতেরেনিয়ন (Mediterranean), মেসোপোতামিয়া (Mesopotamia), ইজীপ্ত (Egypt), অৱাং থংবা অমেরিকা অমসুং এন্দালুসিয়া (Andalusia)গী লমদমশিংদা পুদুনা থাখিবদগী ঙসিদি হায়রিবা মফমশিং অসিদা চু পাম্বী অসি য়াম্না পাক-শন্না থানরি।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না পৃথিবী পুম্বগী ওইনা অপুনবা চুগী পোৎথোক অসি চহীদা মেত্রীক টন ১৭৫০ রোম ওইবগী মনুংদা তঙ্খায় অমদি ব্রাজিল অমসুং ভারত লৈবাক ২ অসিখক্তদগী পুথোকই। অতোপ্পা চু পুথোকপা মরু ওইবা লৈবাকশিংদি - চাইনা, থাইলেন্দ, পাকিস্টান, মেক্সিকো, কলম্বিয়া, অষ্ট্রেলিয়া অসিনচিংবনি। ভারতকী মনুংদা চু খ্বাইদগী পুথোকপা রাজ্য ৩ অদুদি উত্তর প্রদেশ ভারতকী পোৎথোক্কী চাদা ৩৮.৫, মহারাষ্ট্রনা চাদা ১৭.৮, কর্নাতকানা চাদা ১২.২ নি। ব্রাজিলদদি চু অসিদগী চিনি অঙৌবা অমসুং ইথানোল হায়রিবা আলকোহোল য়ু মখল অসি পুথোকপদা অয়াম্বা শীজিন্নে অদুগা ভারত্তনা চিনি অঙাংবা অমসুং চিনি অঙৌবা পুথোকপদা অয়াম্বা শীজিন্নে।

মীওইবনা চু পাম্বীদগী মখল-মখা কয়াগী কান্নরবা পোৎথোকশিং পুথোকই। চু শুমদুনা লৌবা মহী হায়বদি চুহীং অসিদগী মীওইবদা য়াম্না কান্নরবা পোৎথোকশিং মরু ওইনা চিনি অঙাংবা, চিনি অঙৌবা, য়ু মখলশিং, খুৎশেমগী রবর, গাড়ি থৌনবা থাউ শাবগী মথক্তা মখল কয়াগী অচাপোৎশিং শাবদা পাক-শন্না শীজিন্নে। খোইরুগী পোৎথোকশিং শাবদা চুহী অসি শীজিন্নে। মখল -মখা কয়াগী অনা-লায়েংগী হীদাক-লাংথকশিংগী মগুন হেঙ্গৎহনবদসু চুহীং অসি শীজিন্নে। চুহীং অদু শুমদোকখ্রগা লেমহৌরিবা চুগুম অদু মখল কয়াগী চেশিং, অথাবা শন্থিচে, বোর্দ শানবগী মথক্তা শীং অমগুম্না মৈ থাদুনা শীজিন্নে। চুগুম অসি অতোপ্পা পোৎশিংগা তোৎশিন্নরগা শা-ষনগী অফবা শজীক অমা ওইনা পীজনৈ। কায়গনবা অমদি তেক্কনবা পোৎ-চৈশিং মরু ওইনা মিছিনশিং অথাপ্পা মফমশিংদা থাদোক-থাজিন তৌবদা শোক্তনবা চুগুম অদুনা পেকেজিং হায়বদি য়োম্বদা শীজিন্নে।

ঐখোয় অয়াম্বনা থোইনা খঞ্জিল্লুদে অমসুং থিজিল্লুদে মদুদি চু পাম্বীদা হীদাক্কী ওইবা মগুনশিং কয়া য়াম্না য়াওবগে হায়বদু। চিনি অসি মহূ পানবা তীন-কাং, খোই অমসুং লিননা চীকপদা হূ অদু লৌথোক্লবা অমদি চমহন্নবা থেংনবদা হীদাক ওইনা শীজিন্নে। মহূ কাবনা চীকখ্রবদি চিনি অঙৌবা নৎত্রগা চিনি অঙাংবা অদু ঈশিং খরদা তুমহল্লগা শেন্থা নং-নং লাওবা মহী অদুনা অচীকপা মফম অমসুং মদুগী অকোয়বদা চাং নাইনা তৈবিগনি। অশোক-অপন তৌবদা হায়রিবা মহী অদুনা মহীক-মতাং কয়ামরুম ঙাকথোকপগী মথক্তা থুনা ওইশিনহনবসু ঙম্মী হায়বগী পাউদমশিং লৈ।

চুহীং চাং নাইনা থকপনা মীওইবগী থবোম্মী মপাঙ্গল কন্না থম্বা ঙম্বগী মথক্তা থবোম্বীগী ওইবা লায়না কয়াদগীসু ঙাকথোকপা ঙম্মী হায়বগী ৱারোলশিং লৈ। হক্কী ঈশিং চৎপদা য়াম্না লীকপা অমসুং শাদুনা নাবা ফাওরবদি হায়বদি ঈশিং য়াফম তৌরবদি চুহীং অদু চাং নাইনা মতম খরা থকপদা ফহনবা ঙমগনি। চাকখাও চাথক্তুনা য়াম্না তোইনা থজিন শাওগৎপা অমদি চাবা তুমদবদা চুহীং অসি চাং নাইনা পীথক্তুনা লায়েংবা য়াই। অরিবা লায়েং-পথাপ্তা চুহীং অসি পীথক্তুনা গাউত হায়বদি তাং চাওথোক্তুনা চীকপা-নাবা তৌবা, খোং হামথবা, থগোকপা, ঙৌবোম্বী তৌবা অমসুং মশীংখাগী লায়নাশিংদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লি। নুপীনা য়াম্না তোয়না ফীঙৌ চৎপদা চুহীং অসি চাং নাইনা পীথক্তুনা লায়েংনবগী পাউদমসু লৈ। শরু তেকপদা চু অদু মশুং তানা শাংনা খায়দোক্লগা বেন্দেজ অমনা য়েৎশিন্দুনা থম্বদা অতেকপা শরু অদু থুনা শমজিনহনবা ঙম্মী হায়দুনা শীজিন্নে। খুৎ-খোং লৈথেক্তুনা অমদি তোংশা কায়দুনা য়াম্না কন্না চীকপা-নাবা তৌরবদি চু অদু পোপলি-পোপলি শুগাইরগা অশোকপা মফম অদুদা থোমদুনা মতম খরা থম্বদা কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী। কনাগুম্বনা হূ চাশিনখ্রবা অমদি মহী থকচিনখ্রবদি চুহীং খরা পীথকপদা কান্নে। অদুবু চু পাম্বীদা হাইড্রোসিয়ানিক এসিদ (Hydrocyanic acid) অসি য়াওবা মরম্না চুহীং কা হেন্না থকপদা খোং হামথবা, কিদনিগী লায়না, হুমাং য়াম্না থোকপা অমসুং হকচাংগী কয়াৎশিং পংথহনবগী ওইথোকপশিং লৈ হায়না অখঙ-অহৈশিংনা চেকশিন ৱা থল্লক্লি। ●

ꯃꯔꯣꯜ ꯊꯣꯛꯄ ꯂꯥꯏ/ মরোল থোকপা লাই



ষ্টেটকী পাউ

ফ্লাইট মঙাদা পেসেঞ্জর ৬৮৯ রোম পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ৩ (ঐচ এন এস) : কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা মণিপুরগী মপান্দা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৬৮৫ রোম ঙসি তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইটতা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি অয়ূক পুং ৯.১৪ রোম তাবদা দিল্লিদগী গুৱাহাটি ফাওরগা অঙাংমরি য়াওনা পুন্না পেসেঞ্জর ১৭২ রোম ইন্দিগো ৬ ঈ ২৫১ ফ্লাইটনা ইম্ফালদা পুরকখি। ফ্লাইট অসিনা অয়ূক পুং ১০.০৯ তাবদা ইম্ফালদগী পেসেঞ্জর ১১৭ পুরগা দিল্লিগীদমক গুৱাহাটি ফাওরগা ইম্ফাল অমুক থাদোকখি। অয়ূক পুং ১০.০৮ রোম তাবদা এয়র এসিয়া আই ৫৭৮৩ ফ্লাইট অসিনা পেসেঞ্জর ১৭২ পুরগা দিল্লিদগী গুৱাহাটি ফাওরগা ইম্ফালদা থুংলখি। ফ্লাইট অসিনা অয়ূক পুং ১১.২০ রোম তাবদা ইম্ফালদগী পেসেঞ্জর ৫১ পুরগা দিল্লিগীদমক গুৱাহাটি ফাওরগা চৎখি। ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩২ রোম তাবদা কোলকটাদগী ইন্দিগো ৬ ঈ ৭০৭ ফ্লাইটনা কোলকটাদগী পেসেঞ্জর ১৭০ পুরগা ইম্ফালদা থুংলখি। নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.২২ রোম তাবদা এয়র ইন্দিয়া ৯ আই ৭৪১ অসি গুৱাহাটিদগী দিমাপুর ফাওরগা ইম্ফালদা পুন্না পেসেঞ্জর ২৩ রোম পুরকখি। ফ্লাইট অসিনা নুংথিলগী পুং ১.০৮ রোম তাবদা ইম্ফালদগী পেসেঞ্জর ২৫ পুরগা গুৱাহাটিগীদমক অমুক ইম্ফাল থাদোকখি। ঙসি নুংথিল পুং ২.৩৮ রোম তাবদা এয়র ইন্দিয়া ৩ আই ৮৮৯ ফ্লাইট অসিনা দিল্লিদগী পেসেঞ্জর ১৫২ পুরগা ইম্ফালদা থুংলখি। ফ্লাইট অসিনা নুংথিলগী পুং ৩.৩৮ রোম তাবদা ইম্ফালদগী পেসেঞ্জর ১০০ পুরগা অমুক দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখি।

ঙসি তোঙান তোঙানবা ফ্লাইট মঙাদা পুশিল্লকখিবা পেসেঞ্জর ৬৮৯ অদু ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা মেদিকেল ষ্টাফশিংনা নিংথিনা চ্যেক তৌরবা মতুংদা মণিপুর ষ্টেট ত্রান্সপোর্টকী বসশিংনা অমুক পুরগা ঘড়ীগী ঐচ আর দি একাদেমিদা পুরগা থমখি। মতুংদা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা অমুক পুরগা মখোয়গী ক্বারন্টিন সেন্টরদা থমখি। পনবা য়াবদি হৌখিবা মে ২৫দগী ঙসি ফাওবদা মপান লমদগী মণিপুরদা চঙলকখিবা পুন্না মীওই ১৫২৫১ রোম শুরে হায়রি।

ꯈꯉꯍꯟꯖꯕ/খঙহঞ্জবা

হৌখিবা জুন ৩, ২০২০গী অয়ুক্কী পুং ৯ তাবা মতমদা তাওবুংখোক মখা লৈকায়গী কম্যুনিতি হোলদা শ্রী লাইখংবম তোমবোই সিংহনা থৌরম মপু ওইদুনা লৈকায়গী ক্লব, মৈরা পায়বী অমদি লৈকায়গী প্রজাশিংগা লোয়ননা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা তাওবুংখোক মখা ফার্মর ভল্যুন্টরি সোসাইটিকী থৌপুবা খনখ্রে। মীফম অদুনা নৌনা খনখ্রবা থৌপুবশিং মখাদা পীজরি। মদুদি (1) Thiyam Suranjoy Singh (President) (2) Longjam Kumar Singh (Vice President) (3) Longjam Rajo Singh (Vice President) (4) Laithangbam Inaoton (Secretary) (5) Thokchom Binanta Singh (Secretary Joint) (6) Irengbam Nanao Singh (Joint Secretary) (7) Thongam Priyobarta (Joint Secretary) (8) Thokchom Rashi Singh (Publicity Secretary) (9) Thiyam Shamungou Singh (Publicity Secretary) (10) Thongam Herojit Singh (Publicity Secretary) (11) Thiyam Somorendro Singh (Treasurer) (12) Thongam Koireng Singh (Audit) (13) Thokchom Babul Singh (Audit)

Sd/- Thiyam Suranjoy
HL-P/7246/04 President of TMFVS, Imphal West.

ꯍꯔꯥꯎꯕ/ হরাউবা ফোঙদোকপনে

সুধাকর

লাইশ্রম সুধাকর (মপা- নবকিশোর) শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক (আই টি আই মনাক) ইম্ফালদা লৈবনা ঐপু লায়েংপিপদগী ঐগী অনাবা ফপনে, নুংসু তাপনে। অদুনা ঐনা মাপু নুংঙাইপা ফোঙদোকপিবনে।

Sd/- Jenny Khongsai
HL-P/7238/04 Saikul

ꯄꯥꯏꯂꯁ/পাইলসকী ওজা অবদুল হকপু থাগৎৱি

ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ মপান্দা চেকখাইবা, খোঙ হাম্বা মতমদা শৌজ নাম্বুবা, খূৎনা ইনখৎত্রিফাওবা চঙউ য়াদবা, খোঙ হাম্বা মতমদা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা থজিনলোমদা হাইগৎলকপা, অমাংথোঙদা হম-হম লাউনা চিক্লগা লৈবা, পুকচেপ নাবা, ঙকশম মরী নাবা, ফম্বী শোনবা, খ্বাং নাবা তৌরম্বা অদু ওজা Abdul Hak Contact No. 8794429681, 8014623756 তা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু অল্লাহগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা অবদুল হকপু থাগৎচরি। পুন্সি শাংনা মীয়ামগী থৌগল মতম কুইনা তৌবিখো হায়না মপুদা থৌনিজরি।

ওজাগী লায়েংফমদি :-
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)
থাগৎচরিবা : **Md. Salauddin**
HL-P/7247/4 **Kyamgei, Urup**

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE REGISTRAR OF SOCIETIES : MANIPUR
NOTICE OF OBJECTION
Imphal, the 3rd July, 2020

No.P/M/SR/2019 : It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from "All Manipur Health Services Doctors' Association" on 30th August, 2019 for registration under Section 4 (1) (2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of the Whole State of Manipur.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Association for submitting/inviting objection if any in writing (Aadhaar of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complaint/objections if not submitted during the mentioned period, the application for registration in the proposed name of Assn./NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deemed fit under Section 7 (1) (2) of MSR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/ special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- **T. Pradwipkumar Singh**
HL-B/6251/4,5,6 Asst. Registrar of Societies, Manipur

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, III, MANIPUR
Ref :- Mut. Case No. 171/AS&SO,III dt: 01-07-2020

1) Leimapokpam Manglem S/o Leimapokpam Kulla Singh of Ningthem Pukhri Mapal.
2) Leimapokpam Modhuchandra Singh S/o -do- of -do-
3) Leimapokpam Rni Singh S/o -do- of -do-
4) Leimapokpam Tombisana Meitei S/o -do- of -do- *- Petitioners*

-Vrs-

Leimapokpam Kulla Singh S/o (L) Sanoy Singh of Ningthem Pukhri Mapal. ...O.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE
Imphal, 03/07/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ২৭ - ৱাংখৈ নোংপোক পাট্টা নং ৩৮৫ (অরিবা), ৪০১ (অনৌবা), দাগ নং ১১৪১, এরিয়া ০.৪৯ একর চাওবা ইস্খোল অসিগী পাট্টাদার নং Leimapokpam Kulla Singh মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবিরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইস্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১০/০৭/২০২০ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপত্তি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

Sd/- Assistant Survey & Settlement
HL-P/7248/04 Officer - III, Manipur

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, III, MANIPUR
Ref :- Mut. Case No. 170/AS&SO,III dt: 01-07-2020

Potsangbam Jamini Devi W/o Mutum Nagashwar Singh of Kongba Kshetri Leikai. *- Petitioner*

-Vrs-

Wanglembam Ningol Keina Devi D/o W. Nilamani Singh of Kongba Kshetri Leikai. ...O.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE
Imphal, 03/07/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ২৩ - কোংখাম লৈকায় পাট্টা নং ১৫২/৩১৮ (অনৌবা), দাগ নং ৪০৭/৬১৭, ৪০৮/৬১৮, এরিয়া ০.০১৩৬ একর চাওবা ইস্খোল অসিগী পাট্টাদার নং Wanglembam Ningol Keina Devi মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিগী মমিংদা নামা পানবিরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইস্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১০/০৭/২০২০ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপত্তি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

Sd/- Assistant Survey & Settlement
HL-P/7248/04 Officer-III, Manipur

@1.80 % অপীকপা শেন্দোইদা @1.80 %
সনা Bandhop লৌজরি

ঙসি মালেম্গী ওইনা Corvid-19 না মরম ওইদুনা খম থেংনা ৱানারবা মতমসিদা মণিপুর মীয়ামগীদমক মতেং খরদং ওইরসু পাঙজবা ওইনা অপিকপা শেন্দোইদা সনা বন্দান লৌজরি।
- সনা সন 1 দা ₹ 7000 দগী ₹ 8000 ফাওবা লৌবা য়াগনি।
- শেন্দোইনা 100 দা 1.80% থক্তনি।
- করিগুম্বা অদোমগী হান্না অচৌবা শেন্দোইদা সনা Bandhop থম্মীখিবা লৈরবদি ঐখোয়না হন্দোকপিরগা, ঐখোয়গী অপীকপা শেন্দোইদা অমুক থম্মগী খুদোংচাবসু পীজরি।

@1.80 % Only.

For details, Please contact,
Govindajee Gold Mortgage,
2nd Floor, Imphal Diagnostic Centre Building,
Palace Compound, Govindajee Road,
Near Andro Parking, Imphal East
☎ 7085917479
HL-B/6250/4/7-28/7

ꯄꯥꯏꯂꯁ/ঈশিং হাল্লগা পোমথোকপগুম্না অমাংথোঙ মপান্দা পোমথোরকপা, অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা তৎপা, খোঙ হাম্বদা হৱাই মঙ্গল মরূমুক চাউবা মরূ-মরূ হাল্লকপা, খোঙ হাম্বদা মপূং ফানা অমুক্তদা হাম্বা য়াদবা, করিগুম্বা খোঙ চাউনা হাল্লকপা মতমদা অমাংথোঙ মনুংগী তৎপা অদুদা থেংলগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা ঈশিং হাল্লগা পোমথোকপগুম্না অমাংথোঙ মপান্দা পোমথোরকপা, পোমথোরকপা অদুনা মরম ওইদুনা অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা অমদি ফম্বা ঙমদবা, অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা তৎপা, তৎপা অদুনা মরম ওইদুনা খোঙ হাম্বদা য়াম্না থুপ্পা অমদি শাবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা চাম্বদসু য়াম্না থুপ্পা, খোঙ হাম্বা মতমদা হৱাই মঙ্গল মরূগুম্না মরূ-মরূ হাল্লকপা, খোঙ হাম্বদা মপূং ফানা অমুক্তদা হাম্বা য়াদবা, পুক য়েকলি-য়েকলি তৌরগা খোঙ হামনীংলগতা লৈবা, হাম্বা চঙলুরগনা মপূং ফানা হাম্বা য়াদবা, খজিক্তং হাল্লগা তোকপা, করিগুম্বা খোঙ অকনবা চাউনা হাল্লকপা তারগদি অমাংথোঙ মনুংগী তৎপা অদুদা থেংলগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, খোঙ অকনবা চাউনা হামদ্রিমখৈদি ফবা, শা-ঙা, অতেক-অনৌ চাবা য়াদবা, চারগনা হকচাংদা অনাবা অদু হেনগৎপা, অমাংথোঙ মনুংদা চক-চক থিল্লকপা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, খ্বাং নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা Regd. No. 1591/ SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু হন্না হন্না থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-P/7172/04 *থাগৎচরিবী :* **Kh. Rekha Devi, Sugnu**

PATKAI CHRISTIAN ACADEMY
CHANGRAPHUNG, SHANGSHAK, UKHRUL
DISTRICT, MANIPUR
(Affiliated to the Council for the Indian School Certificate Examinations (CISCE), New Delhi)

ꯂꯦꯛꯆꯔꯔ / LECTURERS WANTED

Sl.	Subject	No. of Post	Qualification	Salary
1.	English	01	M.A.	Rs. 17530
2.	Chemistry	01	M.Sc.	Rs. 17530
3.	Biology	01	M.Sc.	Rs. 17530

Interested candidate may send their resume/documents to the school at patkai2011@gmail.com or contact 7630054816/9612045898/9366400072

Sd/- Kamlal Khongsai
HL-P/7245/04 Acting Principal

ꯃꯦꯗꯤꯀꯦꯜ ꯖꯣꯕ/MEDICAL JOB
Urgently required
4 Exp. Lab. Technician
Minimum 3 yrs with Comp. knowledge
Omega Diagnostic Centre
Opp. ARIES RESTAURANT
URIPOK IMPHAL
Contact : 8415945108
HL-P/7226/1,2,3,4,5,6,7

ꯄꯥꯏꯂꯁ/নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি

Naorem Ibomcha

নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোম্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোম্থবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্কৎচবা অদুগা খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোম্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা লৈরগদি অমুক্তং লেংথোকপীরক্তুনা তানবীয়ু।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
HL-P/7203/27 june to 26 july Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645


ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ ꯑꯣꯄꯟ
ONLINE/OFFLINE
ADMISSION OPEN
FOR CLASS XI SC.
&
FOR CLASS XII SC.
Class XI sc. passed from other Boards
2020-21 SESSION
MEM
Manipur Educational Mission
A Group of Institutions
NEET-JEE Foundation + School integrated courses start from 2020 session
100% FREE ADMISSION
We partially support to reduce the financial stress of parents due to COVID-19 Lockdown.
LAST DATE OF ADMISSION: 21st JUNE 2020
Link: http://v-school.in/admform/MEM
Details information can be obtained from the office - 10.am to 1.00 pm
FOR SPOT ADMISSION:
IMPHAL DIST.: 7005676652,8414024194
BISNUPUR :7005269866.7085190495,
UKHRUL: 7630076132,7503874168
THOUBAL AND OTHERS:7005013471, 7503474168, 9615063475
Ghari, Airport Road, Imphal West, Manipur - 795140
HL-B/6223/18,19,20,21,24,26,28,30Jun, 2,4,6,8,10,12July

ADMISSION OPEN ꯏꯟꯇꯔꯅꯦꯁꯅꯦꯜ ꯃꯣꯗꯔꯅꯥꯏꯖꯗ ꯑꯦꯀꯥꯗꯦꯃꯤ ADMISSION OPEN
INTERNATIONAL MODERNISED ACADEMY
(I.M.A.) REGD. NO. 19 SEPT. 2001
NONGMEIBUNG PURANA RAJBARI
NEAR KUSUM OIL PUMP
(RECOGNISED BY COHSEM)
ADMISSION OPEN FOR CLASS XI SC. OF 2020-21
Direct Admission facilities for all candidates special facilities for 75% and above Class X Exam. of BOSEM
Prospectus & application form can be obtained from the school office during the office hour (10am - 2pm)
For more details contact
9863015419 / 8729983208 / 9615269953
HL-P/7187/25june to 24 july

Delta Advance School
Kwakeithel, Imphal (Affiliated to COHSEM)
Admission for Class XI (Sc. & Arts)
through Online/Offline for 2020-21 session
Due to the nCovid-19 Lockdown, the school has given an oportunity to the aspirants of Delta Advance School that
Admission fee will be FREE for 60% & above
Admission fee will be only Rs.1,000 for 45% & above but below 60%
This opportunity is for first 100 students only & ends on 20th June, 2020
For other benefits/facilities, kindly visit Office or website & submit the Original Admit Card for joining Full online Classes.
Website: deltaadvanceschool.com
HL-B/6219/17/6-16/7 Sd/- Principal

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।